# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, March 21, 2021, Imphal Page 11




ইন্দিয়াগী বৈজিং ওলিম্পিক গেমস ২০০৮দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সর বিজেন্দর সিংহবু ঙরাং গোৰাগী পানাজি সিটিদা পাঙথোকখিবা প্রোফেসনেল বাউট অমদা মায়থীবা পীখিবা রসিয়াগী বোক্সর অর্টিস লোপসন

মালেমগী বেদমিন্টন টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা থাইলেন্দগী পোর্নপাৰি সোসুৰোংগী মখূৎতা মায়থীহৌরবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু



## ইন্দিয়াগী শান্নরোয় শরথ কমাল অমসুং মনিকা বট্রা টোকিও ওলিম্পিক্সকী মিক্স দবলদা ক্বালিফাই ওইখ্রে

দোহা, মার্চ ২০ (এজেন্সী):

চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনগী ওইনা শান্নরোয় মরি ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি টিম অদুদা ক্বালিফাই ওইবদা শরুক য়াখিবা নুপাগী শরথ কমাল অমসুং নুপীগী মনিকা বট্রানা মিক্স দবলসকী কাঙলূপ্তসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।



কটারগী কোনুং দোহাদা চথরিবা এসিয়ন ওলিম্পিক টেবল টেন্নিস ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী শরথ কমাল অমসুং মনিকা বট্রানা টুর্নামেন্ট অদুদা নম্বর ৱান সিদেদ প্যের ওইনা শরুক য়ারকখিবা সাউথ কোরিয়াগী সাং সু লি অমসুং জিহি জিওনবু ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অনী সাউথ কোরিয়াগী প্যের অদুনা ইন্দিয়াগী কমাল অমসুং বট্রাগী প্যের অদুবু য়াম্না হেনবা মওংদা ১১-৮, ১১-৬তা থোইদুনা গেম ২-০দা মাঙজিল থাখি।

অদুবু ২০১৮গী এসিয়ন গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী শরথ কমাল অমসুং মনিকা বট্রানা অহৌবা গেম অনী শোথরল্লবা মতুং মখা তারকপা অহুমশুবা গেম অদু য়াম্না ফজবা মওংদা ১১-৫দা থোইখি। মদুগী মখা তারকপা মরিশুবা গেম অদুসু ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ১১-৬তা থোইদুনা গেম ২-২ মান্নদুনা লৈখি।


টেবল টেন্নিস মশান্নগী ওইনা ফাইনেল মেটচতা গেম ৪ থোইবা মায়কৈনা মায় পাকপা ওইগদবা মরম্না অহৌবা গেম ৪ শান্নবা লোইশিনখিবদা গেম ২-২ থোইনদুনা লৈখিবদগী মখা চথরকখিবদা মঙাশুবা গেম অদু য়াম্না অকনবা লম্বাদা মায়কৈ অনীমক্ক া শান্নখি। পোইন্ট ১১-১১দা মান্নদুনা লৈরকপদগী ইন্দিয়াগী শরথ কমাল অমসুং মনিকা বট্রানা ফজবা হেন্দুনা থংনবা পোইন্ট অনী ১৩-১১দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম ৩-২দা মাঙজিল থাখি।

মখা তারকপা ফাইনেল মেটচ অদুগী ৬শুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা পোইন্ট ১১-৮দা থোইদুনা ফাইনেল অদু মায় পাকপদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। পনবা য়াই, ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং নুপীগী শান্নরোয় সুটিরথা মুখর্জী সিঙ্গলসকী ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। লোয়ননা ঙসি মিক্স দবলসতা ক্বালিফাই ওইখ্রবা কমাল অমসুং মনিকা বট্রাসু সিঙ্গলসকী ক্বালিফাই ওইখি।

## টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মীরমদগী লাকপা ভাবোকশিং গেমস অদু মীৎয়েং তাবা য়াহল্লোইদৌরি

টোকিও, মার্চ ২০ (এজেন্সী) :

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়ৈথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মীরমদগী লাকপা ভাবোকশিং মীৎয়েং তাবা য়াররোই হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি ওলিম্পিক গেমস অসিগী লোকল ওর্গনাইজরশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।



ৱারেপ অসি ঙসি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমদি জপানিজ লৈঙাক, টোকিও লৈঙাক, ইন টরনেসনল পেরালিম্পিক কম্মিটি অমদি লোকল ওর্গনাইজরশিংগী ওইবা ওনলাইনদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লৌখিবনি।

মীফম অদুদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী মনুং অসিদা মীরমদগী টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়েংনবগীদমক্তা টিক্কেট পায়দুনা লাকপা ভাবোকশিং টোকিওদা চঙহনবা অসি জপানদা লৈরিবা মীয়াম্না খ্বাইদগী য়ানিংদবা খোঙথাংনি। নীংশিংবা য়াই, কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা জপানদা ঙসি ফাওবদা মীওই ৮,৮০০ শিখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা মশীং অসি অতোপ্পা লৈবাকশিংগা চাংদম্নরুবদা য়াম্না হন্দুনা লাইচৎ অসিবু লাকশিনবা ঙম্লিবনি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙসি থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক পাঙথোক্লিঙৈ মতমদা মীরমদগী টিক্কেট পায়দুনা লাকপা ভাবোক অমত্তা চঙবা য়াররোই হায়রি। পনবা য়াবদি, ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওইনা জপান নৎতবা অতোপ্পা মীরমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ভাবোক মিলিয়ন অমগী টিক্কেট য়োনবা লোইখ্রবনি।

ঙরাং হীরম অসিগী মতাংদা ওর্গনাইজরশিংগা মাংজৌননা ওনলাইনদা টিক্কেট কক্খ্রবশিং অদুগীদমক্তা শেনফমশিং অদু হন্দোক্কনি হায়বগী থাজবা অদু পীখ্রবনি। অদুবু হায়রিবা ৱাফম অসি জপান লৈবাক্কী ৱাংমদা টিক্কেট য়োনবগী থবক পায়খৎলিবা ওথোরাইজ টিক্কেট রিসেলরশিংনা অরোইবা ৱারেপ অমা লেপকদবনি হায়রি।

মরক অসিদা, দিলরশিং অসিনা টিকেট য়োনবা মতমদা চাদা ২০ হেনগৎলগা য়োল্লি হায়রি। মরম অদুনা টিক্কেট লৈখ্রবশিং অদুগী শেনফমশিং অদু হন্দোকপগী ৱাফম অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ময়েক শেংবা ঙমদ্রি।

ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হাসিমোটোনা ফোঙদোকখিবদা, ভাবোক য়াওদনা হীরম খূদিংমক অরোইবা মতম ফাওবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি হায়রি।

## আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী য়শাস্বিনিনা গোল্ড ফংখ্রে অদুগা মনু ভাকরনা সিলভর ফংহৌরে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২০(এজেন্সী):

ন্যু দেল্লীদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর য়শাস্বিনিনা গোল্ড মেদল ফংখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী শুটর মনু ভাকরনা সিলভর ফংহৌরে।



ঙসি পাঙথোকখিবা নুপী শুটর ৮না লম্বা তৌনখিবা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলগী ফাইনেল রাউন্দ অদুদা য়শাস্বিনি দেশৱালনা পোইন্ট ২৩৮.৮ ফংলগা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৩৬.৭ ফংলগা সিলভর মেদল লৌখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ভেলারসকী শুটর ভিক্টোরিয়া সাইকানা পোইন্ট ২১৫.৯ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

চথরিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অদুগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর অঞ্জুম মোদগিল ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি। অঞ্জুম মোদগিলনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৬২৯.৬ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাহৌখি। মহাকপু হঙ্গেরিগী শুটর এষ্টর দেন্সনা শুপ্নগী পোইন্ট ০.১ হেল্লগা পোইন্ট ৬২৯.৮দা ফাইনেল রাউন্দ চঙখিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান দিভিয়ান্স সিংহ পনৱরনা পোইন্ট ২২৮.১ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা য়ু এস এগী শুটর লুকাস কোজেনিস্কিনা পোইন্ট ২৪৯.৮ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা হঙ্গেরিগী ইসভান পেনিনা পোইন্ট ২৪৯.৭ ফংলগা সিলভর মেদল লৌখি।

ন্যু দেল্লীগী টুগলবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোক্লিবা আই এস এস এফ শুটিং ৱর্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী শুটর অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখি। মখোয় অনীমক মখা তানা কম্পিটিসন অদুদা শরুক য়াহন্দনা আইসোলেসনদা থমখি হায়রি।

নেসনল লেভেলগী কোচ অমা ওইরিবা মশক মমিং হায়দোক্তবা মীওই অমনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। নীংশিংবা য়াই, নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্লিবা কম্পিটিসন অসিদা পূন্না ইন্দিয়াগী শুটর ৫৭ শরুক য়াহন্দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা ক্বাটা ১৫ ফংননবা হোৎনরকপনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং য়ুরোপকী মমিং লৈরবা শুটর অমসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি হায়রি। কম্পিটিসন অসিদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৪০দগী লাকপা শুটর ৩০০না শরুক য়ারিবনি। রাইফল, পিষ্টোল অমসুং শোট গন কেটগোরি অহুম্মক্কী কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্লি।

## মণিপুর সোক্কর ফুটসাল এসোসিএসনগী নৌনা ফম পুগদবা ওফিসলশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর সোক্কর ফুটসাল এসোসিএসন (এম এ এন আই এস এফ এ)গী ওইবা থা অসিগী ১৪দা পাঙথোকখিবা এন্যুএল জেনরেল মীটিংদা কুমজা ২০২১দগীনা ২০২৫ ফাওবা এসোসিএসন অসিগী নৌনা থৌ পুগদবা ওফিসলশিং খল্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী পি আর ও অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নৌনা থৌ পুগদৌরিবা মেম্বরশিং অদুগী অয়াবা অদু ইন্দিয়ন সোক্কর ফুটসাল ফেদরেসনগী এদভাইসকী মতুংইন্না লাউথোকখিবনি। মখোয়শিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা য়াম্বেম অরুন মীতৈ, ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম অহুমদা লাইশ্রম লোকেন্দ্রো, টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমসুং মুহেন খুন্দ্রাকপমনি।

জেনরেল সেক্রেটরিগী ফমদা নিকেশ থোকচোম অমসুং ট্রেজররগী ফমদনা কৈশাম বিমোলকুমারনি। এসোসিএসন অসিগী কনভিনরদা এন জি সনায়াইমা, চীফ এদভাইজরদা আর কে জয়স্না, লোয়ননা লিগেল এদভাইজরদা টি ঐচ দিলিপকুমারনি।

জোইন্ট সেক্রেটরিগী ফম অহুমগীদমক ঙাসেপ্পম ইঙোচা, কেটনবুইবো খম্নামাই অমসুং এল লোকেন্দ্রো (পাৎসোই)নি। এসোসিএসন অসিগী পি আর ও অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরিগী ফমদা কে নোংদম্ববু খনখি। অদুগা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ৬কী মনুংদা এ সুশিলা, ডা. এস প্রেমানন্দ, ডা. আর কে সত্যঅদিত্য, এস বিমোল, সন্তোশ এন অমসুং মাইক সিটহৌনি।

মণিপুর সোক্কর ফুটসাল এসোসিএসন অসি এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা এটেচটেদ তৌরগা ইন্দিয়ন সোক্কর ফুটসাল ফেদরেসনদা এফিলিএট তৌরবা এসোসিএসননি।

## ক্রিকেট মেটচ পোস্পোন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা ২৮শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী মখা তারকপা মেটচশিং অনৌবা মতম অমা লেপত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ ওইরিবা বি বিশ্বজিৎ শর্ম্মনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা এসোসিএসন অসিনা শীনগদৌরিবা ৫শুবা টি সুবোল মেমোরিয়ল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু হৌবগী মতম অদুসু থা অসিগী ২৪দা য়ৈথোকখ্রে হায়রি।


HL-B/6801/20/2-21/3


## ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু অরোইবা অমদি ৫শুবা মেটচ রন ৩৬তা থোইদুনা টি-২০ সেরিজ লৌখ্রে

অহমেদবাদ, মার্চ ২০(এজেন্সী):

ইংলেন্দগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা চথরিবা সেরিজকী মনুং চন্না টি-২০গী মেটচ ৫গী সেরিজকী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৩৬তা থোইদুনা মেটচ ৩-২দা মায় পাক্লগা সেরিজ লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, সেরিজ অসিগী অহানবা মেটচ ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮দা থোইখি। মখা তারকপা অনীশুবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৭তা থোইরবা মতুং, ৩শুবা মেটচ অদুনা ইংলেন্দনা অমুক্কা হন্না ৱিকেট ৮দা থোইখিবনি। অদুগা মরিশুবা মেটচ অদুদনা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দবু রন ৮দা থোইরগা মেটচ ৫গী সেরিজ অসিদা মেটচ ২/২ থোইনরগা ঙসিগী মেটচ অদুনা দিসাইদিং মেটচ ওইখি।

মেটচকী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা শুপ্নগী ৱিকেট ২খক আউট ওইরগা রন ২২৪ লৌখি। ইন্দিয়াগী ওপনর রোহিট শর্ম্মা অমসুং ভিরাট কোহলিনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৯৪ লৌখি। রোহিট বোল ৩৪দা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌরমখি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলি আউট ওইদনা বোল ৫২দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮০ লৌখি। সুরিয়া কুমার য়াদবসু বোল ১৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩২ লৌখি। অদুগা হার্দিক পান্দিয়ানা আউট ওইদনা বোল ১৭তা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৯ লৌখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী মায় পাক্নবা রন ২২৫ লৌনবা হোৎনরকপদা অপীবা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১৮৮ খক লৌখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী জোস বটলরনা বোল ৩৪দা লৌরম্বা রন ৫২ অমসুং দাৱিদ মালানননা বোল ৪৬তা রন ৬৮ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা রন ২০ লৌবা ঙমখিদে। সেরিজ অসিগী মখা তারকপদা ৱান দে মেটচ অমুক শান্নরগনি।


S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
Education with Care
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island
ADMISSION IS GOING ON FOR
DON'T MISS DON'T MISS
LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount
SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology
(one subject Free)
SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science
(one subject FREE)
Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching
NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY
STARTING FROM 3RD MARCH
FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021
50% DISCOUNT ON
FIRST TWENTY STUDENTS

| Class - Timing | |
|---|---|
| Morning 6am - 9am | Evening 3pm - 7pm |

HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII
Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students
Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM




ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021
Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam
TOPPERS of 2020
9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph
HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST
Exam - Time 1p.m. to 4 p.m.

| Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6780/10/2-17/3


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 58

FM Tvarijonas, Tomas (2221) - GM Ivanisevic, Ivan (2606)
Titled Tuesday 19th Jan chess.com INT (5), 2021.01.19

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bc4 Nf6 4.Ng5 Bc5 5.O-O O-O 6.d3 h6 7.Nf3 d6 8.h3 a6 9.c3 Ba7 10.b4 Ne7 11.Be3 Bb8 12.Nbd2 d5 13.exd5 Nexd5 14.Nxe5 Nxc3 15.Qb3 Ncd5 16.d4 c6 17.Ndf3 Be6 18.a4 b5 19.axb5 cxb5 20.Bxd5 Bxd5 21.Qb2 Ne4 22.Rac1 Qd6 23.Bf4 Qe6 24.Nd3 Bc4 25.Bxb8 Bxd3 26.Rfd1 Bc4 27.Bh2 Bd5 28.Re1 Qf5 29.Rc7 Rac8 30.Rec1 Rxc7 31.Rxc7 Re8 32.Qc1 Ng5 33.Nxg5 Qxg5 34.Bg3 Qf5 35.Qf4...

**QUESTION :**

**Black wins in 4 moves**

**Puzzle 57 Ans. :**

**35.**Qd2 Rxh2+The black rook decoys White's king. **36.**Kxh2 Qh6+ **37.**Kg3 Qg5+
**37.**...g5 **38.**Kf2 Qh4+ **39.**Kg1 Qg3+ **40.**Kh1 Qg2#
**37.**...Qh3+ **38.**Kf2 Qh4+ **39.**Kg1 Qg3+ **40.**Kh1 Qg2#